# হুইয়েন লানপাউ

থাঙ্গাল কৈথেলদা লৈবা হোটেল য়াইফবদা ভেজিট-রিয়ন অমদি নন-ভেজিটরিয়ন তোঙান-তোঙানবা কিচন লৈবা রেষ্টোরেন্ট অমা হাংদোকপা





কৈশাম্পাৎতা লৈবা নেসনল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কাওন্সিল (নিপকো)গী ওফিসতা মণিপুর পুলিসকী পর্সনেলশিংনা রেইদ চথবগী শক্তম




চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা ইম্ফাল-তমেংলোং অমসুং ইম্ফাল-মোরে হেলি সর্ভিসশিং হৌদোকপা




মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী এক্টিং চেয়রমেন খাইদেম মণিনা লুচিংবা টিম অমনা শজিৱা সেন্ট্রেল জেলগী ফাদোকশিং উনবগী শক্তম





Vol. 42, Issue No.217 | লৈবাকপোকপা, মেরা ২১নি পানবা, | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, Tuesday, October 30, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## HL POLL

**Q :** Human Rights Commission gi team na jail da leiriba fadoksing yengshillibasi kannaba fanggani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q :** Imphal-Jiri lambida lalhoubasingna namduna law na yadaba tax khommi hairibasi leingak khanglamgadra?

Yes 97% No 03%


গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা


### অস! লোইরেহে!

মোবাইল থুগায়রগে বাজি, নমৌনুপীদু চেনখ্রে ...!

ꯃꯣꯕꯥꯏꯜ ꯊꯨꯒꯥꯏꯔꯒꯦ ꯕꯥꯖꯤ, ꯅꯃꯧꯅꯨꯄꯤꯗꯨ ꯆꯦꯟꯈ꯭ꯔꯦ...!



চেনদ্রিঙৈদা থুগায়হৌবদি কৈদৌবা !

ꯆꯦꯟꯗ꯭ꯔꯤꯡꯩꯗꯥ ꯊꯨꯒꯥꯏꯍꯧꯕꯗꯤ ꯀꯩꯗꯧꯕꯥ!

## ইম্ফাল-তমেংলোং অমসুং ইম্ফাল-মোরে হেলিকোপ্টর সার্ভিস হৌদোকখ্রে

# গাড়ি লুট তৌবশিং এক্সন লৌগনি : সী এম

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৯(ঐচ এন এস): চহী অসিগী সেপ্তেম্বর থাদা ইম্ফাল জিরিবাম হেলিকোপ্টর সার্ভিস হৌদোকখ্রবা মতুং ঙসি ইম্ফাল-তমেংলোং অমসুং ইম্ফাল-মোরে হেলিকোপ্টর সার্ভিস মণিপুরগী চীফ মনিষ্টর এন বিরেননা হৌদোকখ্রে।

ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা ঙসি পাঙথোকখিবা হেলিকোপ্টর সার্ভিস লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ দা পোৎ-চৈ পুদুনা ট্রকশিং লুট তৌবদা চেন্নবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লৈঙাক অসি য়ারিবমখৈ ফোর্স শীজিন্নদনবা হোৎনবনি। অদুবু লোনা য়াদবা থবক কয়া চথরকপা তারগদি ঐখোয়দগী মখোয়না হেন্না পৱার লৈরোই। হায়ৱেদা পেসেঞ্জর অমসুং দ্রাইভরশিং অশোয়-অঙাম য়াওহন্দবা হায়বসি লৈঙাক্কী মথৌনি। নেসনল হায়ৱে ৩৭ দা পোৎ চৈ পুদুনা লাকপা ট্রকশিংদা লুট তৌবদা চেন্নবশিং পাক্তক্লনা কোম্বিং ওপরেসন চথদুনা ফাননবা ষ্টেট ফোর্সতা য়াথং পীখ্রে। চেন্নবশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌগনি।

ঙসি হেলিকোপ্টর সার্ভিস লোঞ্চ তৌখিবা অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা হায়; ষ্টেট অসিগী মনুং হঞ্জিনবা শরুকশিংদা অনা লায়েংগী অমসুং ইম্ফাল য়ৌনবা হোৎনবদা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিংগী ৱাকৎ থেংননবগীদমক হেলিকোপ্টর সার্ভিস হৌদোকপনি। লোয়ননা ষ্টেট অসিদা এয়র এম্বুলেন্স অথুবা মতমদা লোঞ্চ তৌরগনি। এয়র এম্বুলেন্স লোঞ্চ তৌনবগী প্রোসেস অয়াম্বা লোইশিল্লক্লে। রিমসতা হেলিপেদ অমা শেমগদবদা মঙাইরে। এয়র এম্বুলেন্স অসিগা লৈরগদি মরু ওইনা অথাপ্পা মফমদগী অনাবশিং মতেং পাংবা ঙম্লগনি অমসুং মিসন অসি শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়খি।

মহাক্না হায়, হেলিকোপ্টর সার্ভিস য়ৌদ্রিবা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু তঙাইফদবা ফিভম লাক্লবদি অকক্লবা মফম থিদনা হেলি সার্ভিস য়ৌগনি।

ষ্টেট অসি শান্নরোয় কয়া লৈবা ষ্টেটনি। শান্নরোয়শিংদা অশোক-অপন য়াওরকপদা লায়েংবগী মতিক চাবা ফিসিলিটি লৈতবদগী অতোপ্পা ষ্টেটতা লায়েংবা চৎনরি। অদুবু সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা রিমস হোস্পিটালদা স্পোর্ট মেদিসিন য়ুনিট অমা হাংনবা অপ্রুভ তৌরক্লে। মসিনা লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংনা অশোক-অপন য়াওরকপা মতমদা লায়েংবগী খুদেংচাবা পীবা ঙম্লগনি হায়খি।

হেলিকোপ্টর সার্ভিস অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী সবসিদি স্কিম মখাদা পায়গদৌরিবনি। ঙসি লোঞ্চ তৌরিবা ইম্ফাল-টমেংলোং অমসুং ইম্ফাল-মোরে হেলিকোপ্টর সার্ভিস অসিগী অতোংমল লুপা ২০০০ ওইগনি অমসুং ইম্ফাল-জিরিবাম হেলিকোপ্টর সার্ভিসকী অতোংমলনা লুপা ৩০০০ ওইগনি। লোয়ননা সার্ভিসশিং অসিগী তোংলিবা মীওইশিংগী মশাদা লোয়নগদবা পোৎ চৈগী অরুম্বনা কে জি ৫ নি।

হেলিকোপ্টর সার্ভিস হৌদোকপগী থৌরম অদুদা সী এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টর ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## মাস রেল্লি ফুরুপ অমত্তগী মায়োক্তা নত্তে, পুন্না শরুক য়ামিন্নসি : য়ু সী এম

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৯(ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)না শীন্দুনা থা অসিগী ৩১ দা চৎকদৌরিবা ওক্তোবর মাস রেল্লি অসি ফুরুপ অমত্তগী মায়োক্তা নত্তে, ফুরুপ খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা শরুক য়ামিন্নদুনা মণিপুর কন্নবা ফিরেপ লৌমিন্নসি হায়না য়ু সী এগী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলপাৎতা লৈবা য়ু সী এমগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা সুনিল করামনা হায়খি, ওক্তোবর মাস রেল্লি অসি মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কননবা চৎকদৌরিবা খোঙচৎনি। খোঙচৎ অসিগীদমক শৌগৎনরক্লিবা কয়া অসিনা মীওই লাখ কয়ানা খুজিং ওইদুনা শরুক য়াগদৌরি। লমদমসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা পুন্দুনা মণিপুর কননবগী ফিরেপ লৌমিন্নসি। শীনফম খুদিংমক্তা লৈরিবশিংনা রেল্লি অসিদা শরুক য়াবিয়ু। রেল্লি শরুক য়াবা লাক্কদৌরিবা মীওইশিংগীদমক চৎথোক-চৎশিনগী ওইনা ট্রান্সপোর্ট এসোসিএসন কয়ানসু শৌগৎনরক্লি। লন্নাই গাড়ি লৈবশিংনসু রেল্লি য়াওগদবা মীওইশিং পুথোক-পুশিন্দা মতেং পাংবিয়ু।

ওক্তোবর মাস রেল্লিগীদমক শেম-শাবা অয়াম্বনা লোইশিল্লক্লে। থা অসিগী ৩১গী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা টিদিম গ্রাওন্দদা মীয়াম পুল্লবা মতুংদা খোঙচৎ অসি চৎকদৌরিবনি। টিদ্দিম গ্রাওন্দদগী হৌরগা খোঙচৎ অসিনা কৈশামপাৎ লম্বীদা লাক্লগা নাগামপাল, খুয়াথোংনচিংবা মফম কয়া ফাওদুনা লাক্লগা খুম্মন লম্পাক্তা থুংগনি। খুম্মন লম্পাক্তা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মণিপুর অপুনবগী শক্তমগীদমক খন্ন-নৈনদুনা ফিরেপ লৌমিন্নগনি।

মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী লাক্কদৌরিবা মীয়াম অসিগীদমক চৎথোক-চৎশিন অমদি মীফম লোইরবা মতুংদা অমুক হন্না থিনবগী থৌরাং কয়া তৌরি। ফুরুপ খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা শরুক য়াদুনা খোঙচৎ অসি মপুং ফাহনসি। খোঙচৎ অসি লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ অমত্তগী মায়োক্তা চৎপা নত্তে, মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম ঙাক্লবা চৎলিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি পাউমীশিং উনখিবা অদুদা য়ু সী এমগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

ওক্তোবর মাস রেল্লিগীদমক তোঙান-তোঙানবা মায়কৈ কয়াদগী লাক্কদৌরিবা গাড়িশিংবু পার্ক তৌনবা মফমশিংসু লেপথোক্লে। ককচিং-থৌবাল-লিলোং-কাঞ্চিপুর মায়কৈদগী লাকপা গাড়িশিং খুম্মন লম্পাক ইন্দোর ষ্টদিয়মদা পার্ক তৌগনি। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

## নিপকোগী প্রসিদেন্ট অমদি মহাক্কী লোইনবী য়াওনা ৫ ফারে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৯(ঐচ এন এস): নেসনল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কাওন্সিল (নিপকো)গী প্রসিদেন্ট ওইনাম প্রেমজিৎ অমসুং মহাক্কী লোইনবী য়াওনা মীওই ৫ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী কাঙবুনা নোংমৈ অহুমগা কোন্ননা ফারে।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তাবদা বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ওইনাম য়ুম্নাম লৈকাইদা লৈবা নিপকোগী প্রসিদেন্ট ওইনাম প্রেমজিৎকী য়ুমদা থিবা-হুম্বগী থবক চথবদা লোৎশিন্দুনা থম্লম্বা নাইন এম এম পিষ্টোল ৩, মেগজিন ৩, কাপ্পা য়ারিবা নাইন এম এমগী মরু ১৭ ফংখি। খূৎশু খূৎলায়শিং অদু ফংলবা তুংদা প্রেমজিৎ (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা ইবোমচা অমসুং প্রেমজিৎকী লোয়নবী ওইনাম ওংবী পিঙ্কি (৩৩) ফাখিবনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি (এল ও) টি ঐচ কৃষ্ণতোম্বী অমসুং কম্মান্দোগী ও সী অচৌবনা লুচিংবা টিম অদুনা ফারে হায়রিবা অতৈ মীওই অহুম অদুদি, নোঙ্গ্রেন ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## ইম্ফাল কাংচুপ রোদ বন্দ হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৯(ঐচ এন এস): শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকাইদগী নোংমাইথেম নিঙোল মাইস্নাম ওংবী তম্ফাইবেম্মা (৩৬) মপুরোইবা এম রুবি লৈখিদবগা মরী লৈননা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি ইন কনেক্সন ৱিথ দি সস্পিসিয়স দেথ ওফ মাইস্নাম ওংবী নোংথোম্বম তম্ফাইবেম্মনা ইম্ফাল কাংচুপ লম্বী হয়েংদগী মতম কক্তনা বন্দ তৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।


জে এ সীগী ৱাঙাংলোয়না হায়খি, ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

## কানি কে জি ৫, ব্রাওন সুগর কে জি ২ য়াওনা মীওই অনী ফারে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৯(ঐচ এন এস): ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবা অমদি পুশিল্লকপদা অথিংবা লৈন-লৈনা নারোন্দা পুশিল্লম্বা কানি কে জি ৫ অমদি ব্রাওন সুগর কে জি ২গা কোন্ননা মীওই অনী নাকোর্টিক্স এন্দ এফেয়রস ওফ বোর্দর পুলিসকী টিমনা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী ফারে হায়রি।

মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পি আর ও বাসুনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা নাকোর্টিক্স এফেয়রস বোর্দর পুলিসকী কাঙবু অমনা চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী ময়াং ইম্ফাল কোনচাক মখা লৈকাইদা থিবা-হুম্বগী থবক চথবদা ব্রাওন সুগর কে জি ২ ফাখি। ব্রাওন সুগর অদু ময়াং ইম্ফাল কোনচাক লৈকায়দগী খুমুজাম রোবিন্দ্রো (৪৬) অপোকপা কে ঐচ নিলকান্তা কৌবা মীওই অমদগী ফাবনি। ব্রাওন সুগর অদু মারুটি এ ষ্টার (এম এন ০৪ এ/১০৩০) দা লোৎলগা থম্লম্বনি। মঙোন্দগী চে-চাং খরসু ফংলে হায়রি।

অমরোমদা, নাকোর্টিক্স এফেয়রস ওফ ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*




ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕ

## নুংঙাইবা ফোঙদোকচবা



চৎলিবা OCTOBER থা অসিগী তাং ২৫ ইং, ২০১৮ গী য়াইফরবা শগোলশেন নুমীত্তা HOUSE OF COMMONS, WESTMINSTER, LONDON, ENGLAND দা পাঙথোকখিবা মালেমগী লৈবাক ২৭ তগী খনগৎলবা শক্নাইরবা মীওই ৩০ দা পীবা য়াম্না লেমজনিংঙাই ওইরবা GLOBAL ACHIEVER'S AWARD "MAHATAMA GANDHI SAMMAN AWARD" পীবগী থৌরমদা মমাঙদা NATIONAL অমদি INTERNATIONAL AWARD কয়া ফংবীরকখ্রবা SALAI HOLDINGS PVT. LTD. কী ঈকাই খুম্নজরিবা CHAIRMAN & MANAGING DIRECTOR অমসুং NORTH EAST INDIA DEVELOPMENT PARTY (NEIDP), CENTRAL WORKING COMMITTEE গীসু PRESIDENT ওইবীরিবা ***NARENGBAM SAMARJIT SINGH*** দা চিংলেন্নবা MAHATAMA GANDHI SAMMAN AWARD খুৎশিন্নবীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎপীরকপবু NORTH EAST INDIA DEVELOPMENT PARTY, (NEIDP) CENTRAL WORKING COMMITTEE গী থৌমী পুম্নমক্না হরাও তয়াম্বা অমদি নুংঙাইজবা ফোঙদোকচরি।

লোয়ন-লোয়ননা তুংগী পুন্সিদসু NORTH EAST INDIA বু মালেমদা মশক তাকপদা অমদি মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবা হোৎনবদা হেন্না লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা কয়া ফংবীদুনা মালেম শিনবা থুংনা শকখঙনরবা মীথোই মীহেনবা মীশক অমা ওইহনবীরসনু হায়না তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা থৌনিজরি।

*নুংঙাইবা ফোঙদোকচরিবা*

**NORTH EAST INDIA DEVELOPMENT PARTY (NEIDP)**

**CENTRAL WORKING COMMITTEE**

HL-P/5606/30